**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আজয় কুমার ভাল্লা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে, মহাক মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

২) মণিপুরদা নীংথম থাগী মতমদা পাইরকপা লমগী উচেকশিং মশিং থিবা হৌরগনি হায়রি।

৩) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হায়রি- ভারত অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক খুমাং চাওশিন্না পায়খৎলি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি।

অমসুং

৫) নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ২০২৪ ফংগদবশিংগী মীং ঙসি লাউথোক্লে,শক াইরবা শান্নরোই ৩২ দা আজন এৱার্দ পীরগনি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগদবা আজয় কুমার ভাল্লা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংদুনা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মন্ত্রিশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পিনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা হয়েং অয়ুক পুং ১০ মখায়দা পাঙথোক্কনি। শ্রী ভাল্লা, ১৯৮৪ বেটচকী অসাম-মেঘালয়গী আই.এ.এস. কাদরনি। মহাক কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি ওইনা ২০১৯ গী আগষ্ট থাদগী চহি মঙারোম থবক তৌরমখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না শ্রী আজয়কুমার ভাল্লাবু মণিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা রাজ্যপাল অসিগী লমজিং মখাদা রাজ্য অসিদা হেন্না চাওখৎপা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙম্লগনি।

বার্দ (এল)ঃ নীংথম থাগী মতমদা পাইরকপা লমগী উচেকশিং মশিং থিবা হৌরগনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা মীফম অমা সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। এল.দি.এগী চেয়ারমেন মোইরাংথেম অশিনি কুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ কঞ্জার্ভেতর এল. জোয়কুমার, এল.দি.এগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর এন.জি. সনাজাউবানচিংবা ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

থা অসিগী ১৮ দগী উচেক মশিং থিবা হৌগদৌরিবা অসি এল.দি.এ, ফোরেষ্ট বিভাগকী ৱাইল্ড লাইফ ৱিং, এসিয়ান ৱাটর বার্দ সেন্সস অমসুং ইন্দিয়ান কঞ্জার্ভেসন নেটৱার্ক পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবনি। ঙসিগী মীফম অদুনা ৱার্কিং গ্রুপ শেম্বা, ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকপা অমদি মীয়ামদা লম্লক্কী উচেকশিং ঙাক শেনবগী তঙাইফদবশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী থবকশিং পায়খৎনবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

এল.দি.এগী চেয়ারমেন অশিনি কুমারনা হায়- মণিপুর অসি নিংথম থাগী মতমদা মীরৈবাক্তগী পাইরকপা তাঙলবা উচেক কয়াগী চাক্তাফমনি। সাইবেরিয়ান রিজনদগী উচেক মখল কয়া পাইরক্তুনা লোক্তাক পাৎ য়াওনা রাজ্য

অসিগী পাৎ কয়াদা চাক্তারে। অসিগুম্লবা মতম অসিদা লোক্তাক মপালদা খুন দারিবা মীয়ামা উচেকশিং অসিবু হাৎপীগনু অমসুং মখোয়বু নিংথিনা ঙাক শেনবীয়ু।

এরেষ্ট (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি অয়ুক ককচিংগী বিজয়পুর মথক লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদু বিজায়পুর মথক লৈকাইদগীনি। মহাক্কী মথক্তা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়রি।

সাইন্স (এল)ঃ ভোপালগী রবিন্দ্র ভবনদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৩১ শুবা নেসনেল চিলড্রেন সাইন্স কংগ্রেসতা মণিপুরদগী চাইল্ড সাইন্তিষ্ট ১০ শরুক য়াগদৌরি। শরুক য়াগদৌরিবা চাইল্ড সাইন্তিষ্টশিং অসি সাইন্স টিচর ফোরম মণিপুরনা ২০২৩ দা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা ষ্টেট লেবেল নেসনেল চিলড্রেন সাইন্স কংগ্রেসতগী খনগৎখিবনি।

সাইন্স টিচর ফোরম মণিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেতর এম. ব্রজমনিনা লুচিংদুনা ওজা মরি য়াওনা মণিপুরগী চাইল্ড সাইন্তিষ্ট টিম অদু মমাং থাগী ২৯ দা ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

ডে (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ থা অসিগী ৪ দা দি.সি. ওফিসতা লৈবা কাউন্তিং হোলদা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীদুনা খুদোংচাবশিং লৌবীনবা দিপ্যুতি কম্মিসনার থৌবাল, অহন্থেম শুবাসনা আপীল তৌরি।

সোসিয়েল সার্ভিস (এল)ঃ ইম্ফাল সিতিবু লুনা-নান্না থমবগী পান্দমদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমসুং সিতি পুলিস ষ্টেসন পুন্না খুৎশন্নদুনা লম তু শেংদোকপগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি থা

অসিগী ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর প্রেস ক্লব লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমগী মাংওইননা পাঙথোকপনি।

শন্বল ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না হায়রি- ভারত অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিং শন্বল খাবগী থবক খুমাং চাওশিন্না পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী মোরেদা ম্যান্মারগা তাইনবা কিলোমিতর ৯ হেন্না ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক লোইরে। লন্বী শেন্বগী থবক খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি।

গৃহ মন্ত্রালয়গী হন্দক ফোংখিবা রিপোর্ট অমনা হায়- কিলোমিতর ২১ শাংবা ঙমখৈ শন্বল খাবা অমদি লন্বী শেন্বগী থবক অসি মমাং চহিগী ফেব্রুৱারি থাদা বোর্দর রোড ওর্গনাইজেসনদা শিন্নখিবনি। লৈবাক অসিগা ম্যান্মারগা লৈনরিবা ঙমখৈ পরিংগী অপুনবা অশাংবা অসি কিলোমিতর লিশিং ১,৬৪৩ নি। মসিগী মনুংদা পুন্না লিশিং ১,৪৭২ গী ঙমখৈ পরিং দিমার্কেসন তৌবা লোইরে। হাইব্রিদ সার্ভিলেন্স সিষ্টেমগী পাইলোত প্রোজেক্ট অনিগী মখাদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরদা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক হৌজিক য়ামা খুমাং চাওশিন্না চখৎরি।

টিবি (এল)ঃ নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা টি.বি লায়না খঙদোকপা অমদি মীয়ামদা লায়না অসিগী মতাংদা মরিক চুমা খঙহনবগী কেম্প অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ বেংগিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার থৌবাল, ডাঃ সামিন অমদি দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেতর টি.ঐচ. ষ্টেফিনা রিছার্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

য়ুসিএম (এল)ঃ য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)না ঙসি কমিতি অসিগী লমফেলদা লৈবা ওফিসতা লৌমীশিংদা নীংথম মরু মরাং য়েন্থোকখ্রে। হিরম অদুগা মরী লৈননা য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে. ধিরেন্না হায়- চীঞ্জাক্তা মীপাল তংদবা, শেনমিৎলোন ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা

পোখোক পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা শুনিং-নোমনিংবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা তঙাইফদে।

চোংথামমিয়া (এল)ঃ চহি খুদিংগী পাঙথোকপা মেজর চোংথামমিয়া নীংশিং থৌরম থা অসিগী ১৭ তা মেজর চোংথামমিয়া ত্রষ্টনা শিনদুনা  ত্রিপুরাদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থৌরম অসি অথৌবা অসিনা লৈরম্বা মফম ত্রিপুরাগী নরায়ন খামরদা পাঙথোক্কনি। মসিগী মনুং চন্না ১৮৯১ গী এঙ্গলো মনিপুর লালদা অন্দমানদা লোই থাখিবা লৈবাক নীংবা ২৩ গী মমিংশিং হকপা নীংশিং নুঙপাক অমা মায়খুম হাংদোক্কনি।

স্কুল (এল)ঃ লুৰাংশংবমদা লৈবা শ্রীবন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওহনা চৎলিবা একাদমিক সেসন ২০২৫-২৬ কী মপুং ফাবা ক্লাস থা অসিগী ১৩ দগী চথবা হৌরগনি হায়না স্কুলগী মহৈরোইশিংদা খঙহল্লক্লি।

কন্দোলেন্স (এল)ঃ হান্না মন্ত্রি ওইরম্বা থৌদাম দেবেন্দ্রনা লৈখিদবদা মণিপুর এক্স-এ.এম.এল ৱেলফ্যর এসোসিয়েসন্না অৱাবা ফোংদোকখ্রে। ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা চীংমৈরোংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি। দিল্লিদা প্রধান মন্ত্রিনা অরবান দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট অনিসু শঙ্গাগনি।

শ্রী মোদিনা দ্বারকাদা লুপা কোতি ৩০০ চংনা শাবা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসনগী ইন্তিগ্রেতেদ ওফিস কমপ্লেক্সসু শঙ্গাগনি। কমপ্লেক্স অসিদা ওফিসশিং, ওদিতোরিয়াম অমা, দেটা সেন্তর অমা, ৱাটর মেনেজমেন্ট

সিষ্টেম অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি। দিল্লি য়ুনিভর্সিতিদা লুপা কোতি ৬০০ চংনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অহুমগী যাত্রাসু প্রধান মন্ত্রিনা হুনগনি। মদুগী মনুংদা একাদমিক ব্লোক অমা য়াওরি।

এৱার্দ ঃ নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দ ২০২৪ ফংগদবশিংগী মীং ঙসি লাউথোক্লে। ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন দি. গুকেস, পেরিস ওলিম্পিক্সতা তকমান অনি ফংখিবা মানু ভাকর, ভারতকী হোক্কি টিমগী কেপ্তেন হরমনপ্রিত সিংহ অমসুং পেরিস পেরালম্পিক্সতা সনাগী তকমান ফংখিবা প্রবিনকুমারদা মেজর ধ্যানচান্দ খেল রত্না এৱার্দ পীরগনি।

শকাইহ্রবা শান্নরোই ৩২ দা আজুন এৱার্দ পীরগনি। মখোয়দুগী মনুংদা এথলিট মশান্নদা জ্যোতি য়ারাজি অমসুং অনুরানি, বোক্সিংদা নিতু অমসুং সৱিতি, চেস মশান্নদা বন্তিকা আগ্রাৱাল, হোক্কি মশান্নদা সালিমা তেতে, অভিসেক, সঞ্জোয়, জমনপ্রিত সিংহ অমসুং সুখজিৎ সিংহ, পেরা আরচরি মশান্নদা রাকেশ কুমার, পেরা এথলিট মশান্নদা প্রিতি পাল, জিবনজি, দিপাথি, অজিৎ সিংহ অমসুং সচিন খিলারি য়াওরি।

মনা ফংগদবা শান্নরোইশিংগী মমিংশিং অদু সুপ্রিম কোর্টকী থবক্তগী পোত্থারবা জজ, জষ্টিস ভি. রামাসুব্রামনিয়ম, শকাইহ্রবা শান্নরোইশিং অমদি স্পোর্টস জরনেলিষ্টশিং য়াওবা সেলেক্সন কমিতি অমনা খনবনি।

মীতোপ ঃ বঙ্গলাদেশতগী নারোনদা আইন কায়না মীতোপ কয়া পুশিল্লকপদা চেন্নবা গেং খুৎপু অমা দিল্লি পুলিসনা ফারে। পুলিসনা হায়- বঙ্গলাদেশতগী মীতোপশিং পুশিল্লকপদা চেন্নবা বঙ্গলাদেশ মচা অনি অমসুং ভারত মচা অনি হৌজিক ফাওবদা ফাগৎপা ঙমলে। হৌখিবা থাদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা বঙ্গলাদেশ মচা ১২ মরৈবাক্তা হলহনখ্রে। বঙ্গলাদেশ মচাশিং অসি লৈবাক অদুগী দুর্গাপুর ফাওরগা মেঘালয়গী বাকমারাদা চংশিল্লকপনি। ফারবা মীওইশিং অসিনা শাশিন্নবা চে চাংশিং শিজিন্নদুনা মীতোপশিং অসি পুশিল্লকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নর বিনয় কুমার সক্সেনানা হন্দক চেরোল অমা থোক্তুনা দিল্লিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা বঙ্গলাদেশ মচাশিং থিদোক্তুনা এক্সন লৌনবা খঙহনখিবনি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহারাষ্ট্র সরকারনা রাজ্য অদুগী মাওইষ্টনা শোকহল্লবা মফমশিং য়াওনা মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মফমশিং থোং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনরিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- থৌরাং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা হেন্না নুংঙাই য়াইফবা অমদি চাওখৎপা পুরকপদা মতেং পাংলগনি।

পনবা য়াবদি, নক্সলাইট ১১ ঙরাং খুৎলায় থাদোক্তুনা মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিসতা চংজরকখিবনি। শ্রী দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা হায়- রাজ্য অসি অথুবা মতমদা নক্সলাইটকী ইরাং লৈতবা রাজ্য অমা ওইবা ঙম্লগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ঙাংবম অমুখোম্বদগী--

স্পোর্টস (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ স্কুল ইদুকেসন (এস) মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্যগী সরকারগী অমসুং এদেদ স্কুলশিংগী ওইবা ষ্টেট লেবেল স্কুল স্পোর্টস মীট ২০২৪-২৫ হয়েংদগী থা অসিগী ৭ ফাওবা খুমন লম্পাক য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না ১০ দা মহৈরোই অমসুং ওফিসিয়েল লিশিং ১,০৭২ রোমনা শরুক য়াগনি।

স্পোর্টস মিট অসিদা শরুক য়াগদবা চীংগী জিলাগীশিংগী নুপা মহৈরোই অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা অদুগা নুপীগীনা টি.জি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থুংলগনি হায়রি।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ  ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিন খুনৌ য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা অহানবা রাজ্য থাক্কী জ্নিয়র ওপন ভোল্লিবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। পুল-এ অমসুং বি অনিথোকা খায়দোক্তুনা শান্নগদবা লিগ মেটচশিংগী ঙসি অহৌবা মেটচতা ওল ময়াংইম্ফাল মুস্লিম য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না এস.কে.ৱাই.সিবু সেট ৩-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ  মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.য়ু.এল.ই মৈত্রমনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু রন ১১৪ দা থোইখি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইনা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৪ দা অমসুং এম.পি.এ থৌনাউজমনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৫২ থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ  সোসিয়েল ৱাকরস কংগ্রেস খোংমন্না শিন্দুনা ৭ শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ৫ দগী এফ.দব্লিউ.সি গ্রাউন্দ খোংমনদা হৌরগনি। থিঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট খোংমনগী শেন্থং মখাদা পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অসি কৈরাও অমসুং ক্ষেত্রিগাউ ব্লোক লেবেলগী ওইগনি।

ৱেথলিফতিং (এল)ঃ মমাং থাগী ১৯ দগী ২৫ ফাওবা কটারদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান য়ুথ এন্দ জ্নিয়র ৱেথ লিফতিং চেম্পিয়নসিপতা লুপাগী তকমান ফংলকখ্রবী লমাবম নিলম দেবীবু য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট ক্লব ঙাইখোংনা ঙসি তরামা ওকখ্রে।

আরচরি ঃ ৬১ শুবা এর্ন্টি পী.সী সব-জ্নিয়র নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ হয়েংদগী থা অসিগী ১০ ফাওবা রাজস্থানগী জয়পুরদা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা রিকর্ব, কম্পাউন্দ অমদি ইন্দিয়ান রাউন্দ য়াওগনি।

------